# ফুটবোল কোচ অমা ওইনা হৌজিকসু ঐহাক মখা তাবা অখন্নবা ট্রেনিং কয়া লেপ্তুনা তৌগে খল্লি



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*



(ঙরাংগী মখা)

তশেংনা, স্পোর্টস অসি থৱায় হকচাং য়াওনা পামজরকপা অদুনা পুন্সিগী অয়াম্বা শরুকসি ঐহাক্তি শান্ন-খোৎনবসিদা কখোকচদুনা লাক্লবনি। স্পোর্টসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমনি হায়রবদি ৱাখলসিসু মদুদা অদুমক লুপচৈ। অদুনা ঐহাক্তি এন আই এস হেক লোইবগা টিম পায়বসু অদুমক হৌজরকখ্রে। মপান্দা অঙাংশিং পুবসিসু কুমজা ১৯৮৬সিদগী পুজরকখ্রে। মণিপুরদা এন আই এস লোইবা ফুটবোলগী মী ফনা য়াম্না লৈরগসু গোল কিপ্পরদা অখন্ননা ট্রেনিং তৌরকপসিদি খরা তাংই। কোন্নদি দিপক দাজু (দিপক লিম্বু)না তৌরকখি।

অমরোমদা, মণিপুর ফুটবোলগী টিমসিসু ঐহাক্তী কুমজা ১৯৮৬/৮৭কী মতমসিদগী পায়রকখ্রে। নুপী ফুটবোল অয়াম্বদি ঐসু শেন্বা য়াওজরকখি। নুপীমচা শান্নরোয়শিং ফজনা লোইনগদবা, নিষা চাদবা কোচ থিরকপদা এসোসিএসনগী অহলশিংনা ঐবু ইতৎ তত্তনা নুপীগী টিম পায়হনবীরকখি। হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস টিমদা লৈরিবা ফুটবোল প্লেয়রশিংগী মরক্তা ঐনা হেক হৌরকপদগী শেমজরকপা কয়াসু য়াওরি। খরা সিনিয়রদা কুমারি, বিনাশ্বরী (গোল কিপ্পর), মখোয়সিসু ঐহাক্লা ফজনা শেমজরকখিবা নুপী ফুটবোলরশিংনি। কোচিং তৌজবা মতমদসু ঐদি খরা সিরিয়স ওইনা তৌজে। ঐখোয়বু তাকপী তম্বীরকখিবা অহলশিংনা তৌরকপা ফোরমুলাশিংদু মতাং চানা চানা অদুম শীজিন্নজে। ওজা কামিনিনা ঐখোয়দা পীবিরকপা ট্রেনিং খুৎপীগদু ঙসি ফাওবা কাউদে। কোচিং পীবসিদা সর কামিনিগীদি তোপ তোপ্পা খরাসু লৈ। ঐখোয়না য়াম্না কিনা নুংশিনা খঞ্জরকপা ওজা অমসু সর কামিনিসি ওইরকখি। শান্নগে হায়দুনা থোরক্লগদি ফজনা শান্ননবা হোৎনগদবনি হায়বসি ওজা কামিনিগী ৱাহৈনি। ওজাশিং অসিগী মতুং ইনজদুনা ঙসি ঐখোয়না অঙাংশিং শেমজবা ঙমজবসিসু পুক্নিংদা তশেংনা পেঞ্জবা ফাওই। ঐখোয়না তাকচখিবা অঙাংনা 'ইনি দয়া'গা ফঙলকপসিসু ওন্থোক্লা নুংঙাইজখ্রে।

কুমজা ১৯৮৬তা এন আই এস দিপ্লোমা থা ১১গী তৌজরুবা মতুংদা, এ এফ সি 'সি' সার্টিফিকেটসু লোইজখ্রে। অদুগা এ এফ সি 'বি' সার্টিফিকেটসু পাস তৌজরে।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

হৌজিকসু ঐহাক মখা তাবা তৌবা য়াবা ট্রেনিংদি অদুম তৌনিংলি। পুন্সি হায়বসিদি তম্বগী লোইবা নাইবা নত্তে। মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা কয়া অসিসু খঙনিংই। কোর্স অমা তৌবা হায়বসিসু শেল ফজনা অদুম চঙই। অদুবু হৈনিংবা খঙনিংবা অদুনা মরম ওইরগা চহী য়াল্লবা মতমসিফাওবা ঐদি চইনিংলি। মসিসু নিষা মখল অমনি। ফুটবোলগী কোচিং লাইনসিদা ৱাখলসি থাদদুনা অদুম লৈবনিনা ইশাসি অহল ওইরে হায়বা ফাওবা কাউই। অদুগা ঐহাক্লা কোচ ওইনা চঙশিনজরকখিবসিদি কুমজা ১৯৮৭ সিদগীনি। চহীসিদা পাঙথোকখিবা 'নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ' অন্দর ১৯গীদা ঐহাক ইশামক কোচ ওইনা খনবীখি। মদুদগী অঙাংশিং ট্রেনিং পীজদুনা মথং মথং চঙশিনজরকপনা কুমজা ২০০২দা তৌখিবা '৫৮ শুবা শন্তোস ট্রোফি' অসিদসু এসিষ্টেন্ট কোচ (গোল কিপ্পর এক্সপার্ট) ওইনা য়াওজখি। হায়রিবা শন্তোস ট্রোফি অসিদা মণিপুর টিমনা চেম্পিয়ন লৌবসু ঙমখি। মসিগী মখা তারকপদা অন্দর ১৭ গর্লসকী টিমসু পায়জরকখি। কুমজা ২০০৫দা তৌখিবা নুপীগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ অন্দর-১৯দসু কোচ ওইজরকখি। কুমজা ২০০৫ সিদসু মণিপুরগী অন্দর ১৯গী নুপীমচাশিংনা চেম্পিয়ন ওইরকখি। কুমজা ২০০৬তা তৌখিবা 'সিনিয়র ৱুমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ' অসিদসু ঐহাক কোচ ওইনা শরুক য়াজখি। চহীসিদসু মণিপুরগী সিনিয়র ৱুমেন্স টিমনা চেম্পিয়ন লৌরকখি।

কুমজা ২০০৭তা টেহরান্দা তৌখিবা 'এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ'দসু ইন্দিয়ন ৱুমেন ফুটবোল টিমগী চীফ কোচ ওইনা শরুক য়াজরকখি। কুমজা ২০০৮ সিদসু মণিপুরগী সিনিয়র ৱুমেন্স টিম কোচ অমা ওইনা পুজরকখি। চহীসিদসু মণিপুর টিম্না চেম্পিয়ন লৌরকখি।

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল টিম অসি চাউরাক্লা চহী তরেৎলোমদি পায়জরকখি। কোচ অমা ওইনা মণিপুরগী টিম পায়জরিঙৈদা বেষ্ট কোচকী মিংথোলসু চহী তরেৎ চুপ্পা লৌজরকপা ঙল্লকখি। সি সি মীটতা সর কামিনিগী মীংদা কৎপীবা বেষ্ট কোচকী টাইটলসিসু ঐহাক মঙারক লৌজরকখি। মসিসু ঐনা হঞ্জিন হঞ্জিন অদুম লৌবদগী মমৈদা কমপ্লেন খরসু লাকখি। অদুদগী অতোপ্পা অমমুক পায়হনখি। কুমজা ২০০৮দা তৌখিবা '১৭ শুবা ৱুমেন নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ'তসু ঐহাক মণিপুরগী সিনিয়র ৱুমেন টিমগী কোচ ওইজরকখি। চহীসিদসু মণিপুরগী নুপী টিম্না চেম্পিয়ন লৌরকখি। ... মথং মথং ...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরকদিসক্বালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্লা নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্লা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ৬শুবা পিশক মেমোরিএল
## এম সী কে মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২০ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা এম সী কেনা লসালবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল লৈখিদে।

অনীশুবা হাফতসু টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা এম সী কেগী মায়কৈদগী রোহিট অমসুং সমান্দনা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা লসালগী মায়কৈদগীদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মেচ অদু এম সী কেনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

## মিষ্টর খোরিফাবা বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন অনীগী মীৎয়েং মখাদা মিষ্টর খোরিফাবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা নম্বোল বজার, বস পার্কিংদা মিষ্টর খোরিফাবা বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

মিষ্টর খোরিফাবা বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা এ এম বি বি এগী মখাদা এফিলিএট তৌবা জিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি সেনিয়র, জুনিয়র, মেন্স ফিটনেস, ৱিমেন ফিটনেস হায়বা কেটেগোরিশিং খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মনাশিং থল্লি।

সেনিয়র কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন, অনীশুবা পোজিসন অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০, লিশীং ১০ অমদি লিশীং ৭ পীগনি। জুনিয়র কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন, অনীশুবা পোজিসন অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১২, লিশীং ৮ অমদি লিশীং ৬ পীগনি।

মেন্স ফিটনেসকী অহানবা পোজিসন, অনীশুবা পোজিসন অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, লিশীং ৭ অমদি লিশীং ৫ পীগনি। ৱিমেন ফিটনেসকী অহানবা পোজিসন, অনীশুবা পোজিসন অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৭, লিশীং ৪ অমদি লিশীং ৩ পীগনি। লোয়নবা কেটেগোরি খুদিংমক্কী টোপ টেন ফাওবগী মনুং চনবা শান্নরোয়শিংগী কেশ প্রাইজ সু লৈগনি হায়রি।

## কেরালা ব্লাষ্টর্সনা ২০১৯-২০ হিরো আই এস এলগী অহৌবা মেচতা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ২-১দা থোইখ্রে



কোচি, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): ঙসি কেরালাসিগী সিটি কোচিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৬শুবা এদিসন ওইরিবা অসিগী অহানবা মেচতা কেরালা ব্লাষ্টর্সনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

এটলেটিকো দি কোলকতা আই এস এলগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না লীগ অসিগী অহানবা এদিসন ওইনা কুমজা ২০১৪দা অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা টাইটল অদু কুমজা ২০১৬তা ফংখি। চেন্নাইয়ন ফুটবোল ক্লবসু টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা মমাঙগী চহীদা টাইটল ফংবা ঙমখিবা টিম অদু বেঙ্গালুরু এফ সিনি। কেরালা ব্লাষ্টর্সদি টাইটল অমুক ফাওবা লৌবা ঙমদ্রি।

কেরালা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা মণিপুর মচা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা থৌনাওজম জিক্সন মিদফিল্ডদর ওইনা শরুক য়াখি। নাকল অমরোমদা এটলেটিকো দি কোলকতাদা মমাঙদা কেরালা ব্লাষ্টর্সতা য়াওরম্বা চহী ১৭মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়া টিমগী হিরোনি হায়না লৌনরিবা গোল্ড কিপ্পর মোইরাংথেম ধিরজ য়াওরি। অদুবু মহাক ঙসিগী মেচ অদুদা অহানবা শান্নরোয় ১১গী মনুংদা প্লে ফংখিদে।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদা কেরালা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা এ টি কেগী মায়কৈদগী এটেক ঙন্না চথবা ঙমখি। ৬ শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা কেরালা ব্লাষ্টর্স গোল কিপ্পরনা ঙাকথোরকপদা কার্ল মেগহকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ভাবোক ৬৫,০০০ হেন্না তিনখিবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অদু পুমচিক চিকখি।

অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম য়ুম্বু টিম অদুগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ মখোয়না পুশিনখিবা এটেক অমদা বোল অদু এ টি কেগী পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরকপদগী পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ওগবেচেনা ইক্বেলাইজর ওন্থোকখি। হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা কেরালা ব্লাষ্টর্সগী জর্সিও সিদোনচানা পীরকপা বোলনা ওগবেচেনা অমুক্কা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১ হেনখিবা অদু এ টি কেনা মেচকী অনীশুবা হাফতা ফনা কন্না হোৎনরখ্রবসু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

হয়েং লীগ অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী মখুৎতা মায়থীখ্রে



জোহোর বারু, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি জোহোর বারুদা পাঙথোকপা ৯শুবা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম গ্রেট বৃটেননা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদু হৌরকপদগী ইন্দিয়ানা খুদোংচাবা হেন্না ফংদুনা গ্রেট বৃটেনগী হাফতা বোল অদু তোইনা পুশিনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী এটেক অদুনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা টিম অদুগী শান্নরোয় মনিন্দর সিংহনা ফংখিবা বোল অমা মথন্তনা গ্রেট বৃটেনগী দিফেন্দর ৩ লাম্থোক্তুনা পুশিল্লক্লগা পাঞ্জল চন্নবা য়ৈশিনবদা ক্রোস বারদগী খরা হায়গৎখিদুনা স্কোর তৌবা ঙমখিদে।

পনবা য়াই, টিম ৮না শরুক য়াদুনা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ রোবিন মেচতা টিম অনীমক মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা লাকখি। অদুগা অরোইবা লীগ মেচতা টিম অনীনা থেংনখিবা মেচ অদুসু দ্রো চৎখিবনি।

গ্রেট বৃটেনগী গোল কিপ্পর ওলিভর পেন ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। পেনাল্টি কোর্নর ৩ ইন্দিয়ানা ফংখিবা অদুদা মহাক্লা পাঞ্জল ওন্থোকহনখিদবনি। লোয়নবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুদিপনা য়ৈশিল্লকখিবা সোট অমা গ্রেট বৃটেনগী দিফেন্দরর জেমস মজারেলোনা ঙাকথোকখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা গোল কিপ্পর ওলিবর পেন থক য়াম্না চিনখি। ইন্দিয়াগী দিলপ্রিট সিংহনা য়ৈশিল্লকপা সোট অমা পাঞ্জল ওইরমগদবদগী কনখ্রবা মতুং ইন্দিয়া গুরসাহিজিৎনা য়াম্না নকপা ফমদগী থকচিনহনখিবা সোট অমসু ঙাকথোকখি।

মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা হান্নগুম্না এটেক চথবগী চাং ইন্দিয়ানা হেনখি।

৩৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ৫ শুবা পেনাল্টি কোর্নর অদু প্রতাপ লক্রানা দ্রেগ ফ্লিক তৌখিবদা মজারেলোনা অমুক্কা হন্না ঙাকথোকখি। মিনট ২ লৈরগা মন্দির সিংহ য়াম্না ফজনা য়ৈশিল্লকপা বোল অমা সিলানন্দ লক্রানা দিফ্লেক তৌশিলহনখিবদা পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

৪৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ৭শুবা পেনাল্টি কোর্নর অদু মনিদপনা দ্রেক ফ্লিক তৌখিবদা গুরসাহিজিৎনা দিফ্লেক্সন তৌহন্দুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। গ্রেট বৃটেননা থংনবা মিনটতা মখোয়গী অহানবা পেনাল্টি কোর্নর অদু ফংখি। খুদোংচাবা অদু মখোয়না লৌদুনা ষ্টোর্ট রুসমেরনা ইন্দিয়ানা সঞ্জয়না ঙাকথোরকপা বোল অদু য়ৈশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইখি। মখা তরাকপদা রুসমেরনা অমুক্কা হন্না খুদোংচাবা অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ২-১দা থোইখি।

## কেন্টো মোমোটা অমসুং টাই জু য়িংনা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখ্রে



ওদেন্স, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী কেন্টো মোমোতানা ফংখ্রে। অদুগা নুপীগী কাংলুপ্তা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা লৌখ্রে।

নুপাগী ফাইনেল মেচ অদু ঙসি ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী কেন্টো মোমোতা অমসুং চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনাগী চেন লোংগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম হৌরকপদা খরা মান্নরল্লবসু মোমোতানা লাকশিনবা হেল্লক্তুনা ২১-১৪দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা চেন লোংগী মশান্না অদুবু কেন্টো মোমোতানা ফজবা হেঞ্জিল্লকপদগী পোইন্ট লৌবগী চাং চাওনা খেন্নরকখি। পোইন্ট ২১-১২তা থোইরগা মোমোতানা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা ৩শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমি ওকুহরাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট য়াম্না লেং মান্নরকখি। পোইন্ট ২১-১৭দা থোইদুনা মাংজিল থারবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু ২১-১৪দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। ৱর্ল্ড নম্বর ১ পেয়র গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা অসান অমদি সেতিয়াৱানবু ২১-১৪, ২১-১৩দা থোইরগা মকোক ওইখি। নুপীগী দবলসতা চাইনাগী পেয়র সেন অমসুং ফানবু সাউথ কোরিয়াগী হা না অমদি উন জুংনা ৯-২১, ২১-১৯, ২১-১৫দা থোইরগা মকোক ওইখি।

## য়ুরোপিয়ন ওপন টেন্নিসকী নুপাগী টাইটল এন্দি মুরেনা লৌখ্রে

এন্টরেপ, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): বেলজিয়মগী কোনুং এন্টরেপতা পাঙথোকপা ৪রক শুবা য়ুরোপিয়ন ওপন এ টি পি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় এন্দি মুরেনা স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

এন্দি মুরেনা সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী উগো হমবর্টপু ৩-৬, ৭-৫, ৬-৩দা থোইরম্বনি। অমরোমদা ৱারিনকানা ইটালিগী জানিক সিনরবু ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা ফজবা হেনখিবদগী এন্দি মুরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেট এন্দি মুরেনা লাকশিল্লকখি। ৱারিনকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং সেট অদুসু গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা ৬-৪দা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখি।

নুপাগী দবলসতা জর্মনিগী কেবিন ক্রাৱিটস অমসুং এন্দ্রি মায়িসনা য়ু এস এগী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জেমস সালিস ব্যুলিবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৬ (৭-১), ৬-৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা রসিয়াগী সিটি মোস্কোদা পাঙথোকপা ক্রেমলিন কপ দব্লীয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা স্বিজর্লেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্লা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাবু ৩-৬, ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখিবতা নত্তনা চাইনাগী সিটি সেন জেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা দব্লীয়ু টি এ ফাইনেলসকীদমক্তা বেন্সিক্কী করিয়রদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাস ফাইনেলদা জপানগী মাকো উরুসিজাকিগী মখুৎতা মায়থীহৌরে



দুবাই, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা থা অসিগী ১৬তগী হৌরকপদা দুবাই ইন্টর্নেসনল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রিতুপর্না দাস জপানগী মাকো উরুসিজাকিগী মখুৎতা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম ইন্দিয়া অমসুং জপানগী শান্নরোয় অনীনা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরক্তুনা হেঞ্জিন্নবা ঙম্নখিদে। লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২১-২১ মান্নরম্বদগী জপানগী উরুসিজাকিনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙমদুনা ২৩-২১দা অহানবা গেম অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা গেম অদুসু লম্বা মান্ননা অদুমক শান্নরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাসনা জপানগী মাকো উরুসিজাকিদগী পোইন্ট লানখৎপা ঙমদনা ১৭-২১দা মায়থীদুনা চেম্পিয়ন অদুন উরুসিজাকিনা ওইখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ঙসি জপানগী শান্নরোয় অনীগী লম্বা ওইখি। মদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা সিদেদ কোদাই নরাওকানা য়ুসুকে ওনোদেরাবু ২১-১৪, ২১-১৭দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা জপানগী কৈচিরোং মাটসুই অমসুং য়োসিনোরি টাকেচিগী পেয়রনা মলেসিয়াগী সিয়া চুন কাং অমদি টান বুন হিয়োংবু ২১-১৪, ২১-১৪দা থোইরগা মকোক ওইখি।

নুপীগী দবলসতা দেনমার্কী অলেকজেন্দ্রা বোয়ে অমদি মেটে পোলসেনগী পেয়রবু জপানগী রিন ইৱানগা অমসুং কিয়া নকানিসিনা ২১-১৮, ১৫-২১, ১৭-২১দা থোইখিবদগী জপাননা মকোক ওইখি।